# শজিক অকংবা শেম্বা

ডো. সরাংথেম জেসমারানি





লমদমসিদদি শা-ষণশিংদা পীজনবা মফম খরদনা শজিক মরাং কায়না ফংলি অদুগা মফম খরদনা শজিক ফংদবগী অৱাবা অমা ওইরি। অমরোমদনা নোংজ থা মতমদনা অমুক শজিক মরাং কায়না ফংবা অদুগা নিংথমথা মতমদনা শজিক্কী অৱাবা অমুক লৈরকপা য়াওরকই। অসিগুম্বা মতমসিদা শজিকশিংসি শিল্লগা শেম্বীবা নৎত্রগা শজিক অকংবা ওইনা থম্বীবা য়াই।

শজিক কংহনবা মতমদসু শজিক্কী মখোক অকনবা খুদম ওইনা হায়রবদা চুজ াক্কী মখোক, চানাগী মখোক অসিনচিংবশিং অসি কনবনা মরম ওইদুনা কংবা ৱাংলি। কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। অথোৎপা মখোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা হুপ, ওট, কবো নাপী, তুজোম্বী অসিনচিংবা কয়া অসি কংহল্লগা থম্বীবা য়াই।

শজিক অকংবা হায়রগা কল্লিবা শজিক খুদিংমক শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি হন্থহল্লগা কংহনবদুবুনি। মসি কংলিমতিক কোকফাই শুজা কাবগী চাং হন্থহনগনি অমদি কুইনা লীবা য়াই। কংহন্নবা কক্কদৌরিবা শজিকশিংগী ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা মাঙদনবা মপূং মরৈ ফাবগী মতমদসু মখা পোল্লি। ঙন্না শজিক কল্লগদি ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা য়াওবগী মশীং য়াম্মী অদুবু পোত্থোক্তি ৱাৎলি অদুগা থেংনা কল্লগদি ন্যুত্রেন্টকী চাং হন্থরগসু পোত্থোক হেন্না ফংই অদুবু অয়াম্বনা মপান লাক্লমদাইদা শজিক অকংবা শেম্নবা ককথৎপগীনি।

**অফবা অকংবা শজিক্কী মগুণ :**

☞ মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহল্লগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা ফংবা ঙম্মী। অদুবু থেংনা শজিকশিং কল্লগা শেম্লগদি শজিক্কী মখোকশিং কংশিল্লকপদা নত্তনা মরূ শেম্বদা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মরূরোমদা চৎখিগনি।

☞ অফবা মখলগী শজিক অকংবা ওইরগদি অকংবা পাম্বীদুগী মনাশিং মশাদা তেক্তা কায়দনা লৈগনি। পাম্বীগী অয়াম্বা ন্যুত্রেন্টশিং মনাদা লৈ। মনাশিং মখোক্তগী কেনখ্রগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙগনি।

☞ অকংবা শজিক্কী মনাশিং শংদুনা অদুম লৈরগদি মদু অফবা শজিক অকংবনি। মনাশিং কংহন্নবা হোৎনবদা অকংবা ময়াম অমা মাঙই।

☞ কংহনবা মতমদসু অথোৎপা মখোক/পাম্বীনা ওইরগদি শাশিংনা চাবদা মহাও লৈনা চাবা ওইহল্লি।

☞ অকংবা শজিক শেম্বা মতমদা অতোপ্পা মখলগী চাবা য়াদবা পাম্বী য়াওহনলোইদবনি।

☞ অকংবা শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি চাদা ২০-২৩ ফাওবা লৈগনি। মনিলগী চাং ৱাংলগদি পথু-পুমথরকপগী চাং ৱাংনা লৈগনি।

☞ অফবা শজিক অকংবদা উফুল-ৱাইফুল পকহনবীরোইদবনি অমদি নুংশিবা মনম চেলহন্দুনা মহাও লৈহনগনি।

**অকংবা শজিক শেম্বা :**

☞ অকংবা শজিক শেম্নবগীদমক থাগদৌরিবা মফমদু লৈবাক লৈহাও নিংথিনা ফবা ওইগনি। থাগদৌরিবা মরূদুসু মফমদুগী মতুং ইন্না হুনগদবদুদগী হেন্না হুনবীগনি। মসিনা কুংনা হৌরবনিনা মখোকসু থোৎনা লৈগনি।

☞ শজিক ককপা লোইরগা কংহনবা মতমদা শজিক্তা য়াওরিবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙদনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি মনিলগী চাংসু কা হেন্না য়াওদনবা অমদি অহেনবা মনিল য়াওরগদি পথু পুমথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কংহনবা মতমদা মনাশিংদু কেন্দনবা হোৎনবীগনি। মনাদা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ৭০ দগী হেন্না য়াওই অমদি কেরোটিনগী চাংসু চাদা ৯০গী মথক্তা য়াওই।

☞ কংহনবা মতমদসু ন্যুত্রেন্ট খরদি অদুম মাঙখি। অদুবু কংহনবা মতমদা মৈশা হেন্না পীবা নৎত্রগা মনিলগী চাংসি হন্থনা লৈত্রগদি মসিদসু ন্যুত্রেন্টগী চাং হন্থহল্লি। নোংজু থা মতমদসু নোংনা মরম ওইদুনা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙহল্লি। কংহনবা মতমদা মনা শংলিমখৈ কেরোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগী শক্তমনি।

☞ শজিকশিং কংহনবা মতমদা কংই কংদে খঙননবা অরায়বা মওং অমদা কংহনলিবা পাম্বী অমা লৌবীরগা য়োৎপী অমনা মখোক্তু হুইগৎ হুইথা তৌবা মতমদা মখু কোনলকপা তারগদি মদু কংবা য়ৌদ্রিবনি হায়না লৌবীগনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পাম্বী খরা লৌরগা খুবাক্তা হাপ্লগা শুরু শুরু নৈবা মতমদা মহি খরা থোকপা উরগদি মদুসু মনিলগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়না লৌবগা লোয়ননা খরা শাংনা কংহনবীগনি।

☞ কংবা লোইবা তুংদা মফম চানা পুল্লগা শা-ষণশিংদা পীজবীগনি।

**কংহনবগী মওং :**

১) মফমদুদা কংহনবা - শজিকশিং ককপা লোইরবা তুংদা অমুক মফমদুদা অদুমক কোনশিল্লগা থম্বীগনি। শজিক ককপগী মতম অমদি লিক্লা তাশিনবনা ক্বালিটিদা অশোয়বা য়াওরকই। কল্লবা শজিকশিংদু মপূন মপূন পুল্লবা তুংদা নিংথিনা কংহনবসু য়াই। অদুবু কংহনবগী মতমদা মনাশিং কেনবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি কংহনবা মতমদা কেরোটিনগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি মনিলগী চাংসু চাদা ৪০ দুমক লৈগল্লি। অসিগুম্বা শজিক কংলি কংলি লাওরবসি মকোন মকোন কোনশিন্দুনা অমুক মখা তানা কংহনবীগনি।

২) মকোন্দা কংহনবা - কাবক কাবক কংলবা শজিকশিং মকোন মনুংদা শগাই শারগা থমদুনা কংহনবীবসু য়াই। মসিদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা নুংশিৎনা কংহনবদা চংই। অসিগুম্বা অকংবা শজিকশিং অসি শংদুনা অদুমক লৈ।

৩) খূৎশেমগী কংহনবা - খূৎশেমগী অশাবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা শজিক ময়াম অমসু কংহনবা য়াই। অদুবু মসি য়াম্না চাউনা তৌরগদি কান্নবা কয়া ফংদে।

৪) মতুম তারগা শেম্বা - শজিক ময়ামসি মতুম তানবা মেছিন্দা মতুম মতুম তারগা কংহনবা য়াই। মসিনা পুথোক পুশিন তৌবদা মতম চংহন্দে, থবক তৌশিনবগী মী মশীং হন্থহল্লি, ন্যুত্রেন্ট হন্থহন্দে, উফুল-ৱাইফুল কয়া পক্তে।

মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহনহৌরগদি তুং কোয়না মতম শাংনা শজিক ৱাৎলকপা মতমদসু পীজবীবা য়াই অমদি শজিক ফংদবা মফমদসু পুরগা পীজবা য়াই। ●

# ঙাগী পোৎথোক হেনগৎনবগীদমক ঙা য়োক্লরম্বা পুখ্রিশিং শেমজিনবা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ





**পুখ্রি শেমজিনবা তঙাইফদবগী মরম :**

ইন্দিয়াগী লৈবাক্কী অৱাং নোংপোক থংবা মফমশিংদা লৈরিবা পুখ্রি অয়াম্বনা লৈবাক্তা লুথনা তৌথদুনা শেম্বা পুখ্রিনি। হায়রিবা পুখ্রিশিং অসি ঈশিং থাদোক-থাজিন তৌবদা খুদোংচাদবদা নত্তনা লৈপল ফজনা শেমদবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নে। চীংখোঙদা লৈবা পুখ্রি কয়াসু লৈরি। মথক্তা পনখ্রিবা পুখ্রিশিং অসিদা মচীঞ্জাক কয়া পীজবা অমদি নোংগী ঈশিংনা চেন্থরকপা লৈবাক লৈহাও কয়ানা পুখ্রিবু থেনগৎহনবা অমদি পুখ্রিগী লৈখাদা অথাবা লৈরোল অমা শেমদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। অসুম্না ওর্গানিক মেটর কয়া অমদি ইনওর্গানিক ওইবা পোৎশক কয়া লৈশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অমদি লৈহাও কয়া থাদোরকপদা তপথরকপনা মরম ওইদুনা প্রাইমরি প্রদক্সন হন্থহন্দুনা ঙাগী ঙাথোক হন্থহল্লকই। মসিদসু নত্তনা মহু চেনবা নুংশিৎ কয়াসু থাদোরকই অমদি ঈশিংদা য়াওগদবা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরক্তুনা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নে। মরমশিং অসি লৈবনা ঙা য়োক্লবা চহী মরিদগী তরুক ফাওবগী মনুংদা পু-খ্রশিং শেমজিনবা অমদি লৈপলশিং থোনজিনবা মথৌ তাই। পুখ্রিগী মখা থংবা লৈমায়শিং কোৎথোক্তুনা পুখ্রিবু লৈহাও লৈহন্নবা হোৎনবীবসু মথৌ তাই।

**করম্বা মতমদা পুখ্রি শেমজিনগনি :**

কালেনগী মতমদা পুখ্রি মপুং ফানা কংহনবা য়াবা অমদি পুখ্রিগী অকোইবদা লৈবা ঈশিং কংবা মরম্না পুখ্রি শেমজিনবগী থবকসি কালেনথাদা তৌবনা হেন্না খুদোং চাই। পুখ্রি ফজনা কংদবা মতমদা পুখ্রিগী লৈমায় কোৎথোক্লবদি শেল য়াম্না চঙবা, খূৎশুমন অমদি মী মশীং য়াম্না চঙবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লগনি।

**পুখ্রি শেমজিনবা মতমদা পাঙথোক্কদবা থৌওংশিং :**

১. ঈশিং থাদোকপা/ চিংথোকপা :

ঈশিং থাদোকপা য়াবা মফমদা লৈবা পুখ্রি ওইরবদি লৈপল খরা তৌথোক্তুনা ঈশিং থাদোক্তুনা পুখ্রিগী লৈমায় অদু মপুং ফানা কংহনগদবনি। করিগুম্বা ঈশিং চিথোকপা য়াদবা মফমদা লৈবা পুখ্রি ওইরবদি পম্প শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংথোকপীগদবনি, পুখ্রিগী লৈমায়দগী ঈশিং ফাওগৎলকপা ওইরবদি মতাই অমদা খরা লুনা তৌথবীদুনা ঈশিংশিং চুমথহন্দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন চিংথোকপীদুনা মপুং ফানা কংহনগদবনি।

**২. নাপী শেংদোকপা :**

ঈশিংদা তাওদুনা লৈবা নাপীশিংদি ঈশিং লৈরিঙৈদা ফজনা শেংদোকপীগনি। লৈবাক্তা মরা তাদুনা হৌবা নাপী ওইরবদি ঈশিং থাদোকখ্রবা মতুংদা শেংদোকপীগনি। করিগুম্বা নাপীশিং অসি শেংদোক্তবদি লৈবাক কংহনবা অমদি তৌবদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্লগনি।

**৩. লৈবাক তৌবা :**

পুখ্রিগী লৈমায়না লৈক্রক চৎলকপা মতমদা পুখ্রি তৌবা য়ারে। করিগুম্বা কংহনবদা খুদোং চাদ্রবদি উ নৎত্রগা ৱানা পাক্তক তৌনা শেল্লগা থৌরিনা চিংদুনা লৈবাকশিং পুখ্রিগী মতাইদা চিংখৎপা য়াই।

**৪. পুখ্রিদগী কোৎখৎলকপা লৈবাকশিং মফম চানা শীজিন্নবা :**

পুখ্রিগী লৈমায়দগী কোৎথোরকপা লৈবাকশিং অসি লৈহাও য়াম্না লৈবা মরম্না পুখ্রিগী লৈপলদা হাপ্তুনা লৈপল ৱাংখৎহনবা অমদি নিংখায়বা মফমশিং মেনশিনবদা শীজিন্নবা য়াই অমদি মনা-মশিং অমদি মহৈ-মরোং থাদুনা ফজনা শীজিন্নবা য়াই। হায়রিবা মফম অসিদা থাবা পাম্বীশিং অসিগীদমক্তদি হার শীজিন্নদবা য়াই।

**৫. পাৎকুম্বা ঈশিং কংহনবদা খুদোংচাদবা মফমশিংদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওংশিং :**

করিগুম্বা ঈশিং কংহনবদা খুদোংচাদবা অদুগা কংলবসু মতম কুইনা কংদবনা মরম ওইদুনা পুখ্রি শেমজিনবদা খুদোংচাদবা মফম ওইরবদি অচৌবা পম্প শীজিন্নদুনা কংহন্দুনা শেল য়াম্না চঙহন্দ্রবসু ঈশিং কংলকপা মতমদা পীক্তক তৌবা মফম কয়া খায়দোক্তুনা লৈপল তাখৎতুনা পুখ্রি মচা মচাগী মওংদা শেমদুনা ঈশিং চিথোক্লগা কংহনবা য়াই। করিগুম্বা মসিগী থৌওং অসিসু খুদোংচাদ্রবদি ঈশিং কংশিল্লকপা মতমদা পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লূবা মফমদা ব্লিচিং পাওদর কিলোগ্রাম ২৫০ চাইবীদুনা মফমদুদা লৈরিবা জীব পূম্নমক হাৎতোকপীদুনা লৈহাও ফজনা লৈহনবা অমদি মহু চেনবা নুংশিৎশিং পাইথোকহনখিবা অসি তঙাইফদবনি।

**৬. পুখ্রিগী লৈপল শেমজিনবা :**

হৌজিক লৈনরিবা পুখ্রি অয়াম্বগী লৈপল নেম্মী। মরম অদুনা নোংজু পন্থাদা অকোয়বগী ঈশিং পাশিল্লক্তুনা ঙা চৎথোকখবা, পামদবা ঙাশিং চঙশিল্লকপা অমদি ঙা শিবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। অকোয়বদগী চঙলক্লিবা ঈশিংশিং অদু তীল হীদাক, নাপী হীদাক্লচিংবা কয়া য়াওরকপা য়াবগী খুদোংচাদবা কয়াসু থেংনগনি। মসিদসু নত্তনা পুখ্রিগী লৈপলশিং উচি, ঙাপ্রুম অমদি ৱাইখুনচিংবনা মকোল শাজিন্দুনা ঈশিং ফাওজিল্লকপনচিংবা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লগনি। নোং কন্না চুবা মতমদা লৈপলগী লৈপাক পুখ্রিদা চেন্থখিবা অমদি লৈরাই নীংখাইবনচিংবা কয়াসু থেংনগনি। মরম অদুনা লৈপলদা নাপী হৌবসু কান্নে অমদি ঈশিংগা লৈরাইগা তাইনবা মফমশিংদা কবোকংগুম্বা খরা হৌবসু কান্নে। মরমদি ঈশিং লেংবা মতমদা লৈরাই চাশিনবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

মথক্তা পনখ্রিবা মরমশিং অসি লৈবনা মরম ওইদুনা পুখ্রিগী লৈপলশিং শেমজিনবা অসি তঙাইফদবা অমনি। হৌজিক লৈনরিবা পুখ্রিগী লৈপলশিং অসি অয়াম্বনা নেম্মী অমদি পীকই। লৈপল অসি ঈশিংগী ঈমাইদগী য়ামদ্রবদা মিটর অমা ৱাংহনগদবনি। লৈপল শেম্বীবা মতমদা লৈপলগী মথক থংবা শরুক্তু য়ামদ্রবদা মিটর অমগা মখায় পাকহনগদবনি অমদি লৈপলগী মখাদনা য়ামদ্রবদা মিটর অহুম পাকহনগদবনি হায়বদি ২:১গী চাংদা ঙমহনগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা লৈপলগী মখা থংবা শরুক্কী অপাকপসি মিটর অনী ওইবা মতমদা লৈপলগী অৱাংবসি মিটর অমা ওইগদবনি। ঈশিং থাদোক থাজিন তৌবা য়ানবগী খুদোংচাবা লৈননবা ঈথোং হাপ্পীগদবনি।

পুখ্রিগী মখা থংবা লৈমাইদগী লৌথোরকপা লৈবাকশিং অসি লৌউ-শিংউবা অমদি মনা-মশিং থাবদা শীজিন্নবা মতমদা য়াম্না লৈহাও লৈবা পোৎশক অমনি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা লৈবাকশিংসি পুখ্রিগী লৈপলদা হাপ্লবদি পুখ্রিদা অমুক তাশিল্লক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনবা য়াই। মরম অদুনা করিগুম্বা পুখ্রিগী লৈপল মথক্তা হাপ্পীবা তারবদি পাম্বী কয়া থাবীদুনা ঈশিংনা চেন্থখিদনবা হোৎনবীয়ু। ●

# লৌউ-শিংউবনা মালেমগী ওইবা নোংজু নুংশাগী অওনবদা পীরিবা চৈথেং

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মালেমগী ওইবা নোংজু নুংশাগী অওনবা (ক্লাইমেট চেঞ্জ), মালেমগী শাবগী চাং ৱাংখৎলকপা (গ্লোবেল ৱার্মিং) নচিংবা ৱাহৈশিং অসি মীপূম খুদিংনা তানরবা ৱাফম অমনি। মসিনা মীওইবা অমদি মালেমদা লৈরিবা অচৎ চত্তা খুদিংমক্তা চৈথেং কয়া অমা পীরি অমদি পীরক্কদৌরি। মসিগী মরুওইবা হৌরকফম অসি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিত্তা গ্রীন হাওস গ্যাস (জি ঐচ জি) হায়না খঙনবা নুংশিৎ (গ্যাস) শিং য়াওবগী চাং ৱাংখৎলকপননি। গ্রীন হাওস গ্যাস হায়রগা কার্বোনদাইওক্সাইদ ($CO_2$), ঈশিং মনিল নাইত্রস ওক্সাইদ, মিথেন, ওজোন ($O_3$), কার্বোন মোনোওক্সাইদ, ক্লোরোফ্লুরো কার্বোন, সলফর ওক্সাইদনচিংবা অসিবু খঙনৈ।

তশেংবমক্তি হায়রিবা নুংশিৎ মখলশিং অসিগী মতেংনা নুমিত্তগী ফংলিবা মৈশাশিং অসি চুপশিল্লগা ঐখোয়গী অকোয়বদা (এটমোসফ্যের) থাদোরক্তুনা ঐখোয়না লৈরিবা মালেম অসি লুম্বু লুম্বু শাবা, নুংঙাইবা মফম অমা ওইহল্লিবনি। অদুবু মীওইবনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম ময়াম অমনা মরম ওইদুনা হায়রিবা নুংশিৎ মখলশিং অসি ঐখোয়গী অকোয়বগী নুংশিত্তা (এটমোসফ্যের) য়াওবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈমায়গী শাবগী চাং অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। অসুম্না শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা ফমজিন্দুনা উন ওইনা লৈবা ঈশিং ময়াম অমা শৌদোরক্তুনা সমুদ্রগী ঈমাই ৱাংখৎলক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মী লৈনরিবা মফম কয়া অমা ঈরোলনুংদা লুপখ্রে অমদি লুপকদৌরি। শাবগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিনা মালেমগী লৈমায় খক নত্তনা সমুদ্রগী ঈমাইগী অশাবসু ৱাংখৎহল্লি। অসুম্না সমুদ্রগী ঈমাইগী অশাবা ৱাংখৎলকপসিনা সমুদ্রগী ঈশিংনা ঈশিং মনিল ওনবগী চাং ৱাংখৎহন্দুনা নোংজুগী মওংদা অওনবা কয়া অমা পীদুনা ঐখোয়দা চৈথেং কয়া পীরি।

কা হেন্না গ্রীন হাওস গ্যাস পুথোক্লিবা মরুওইবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা মৈ অমদি মৈশা পুথোক্লবা হোৎনবা (হিট এন্দ ইলেক্ট্রিসিটি), চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ (ত্রান্সপোর্ট), খূৎশা হৈবগী পোত্থোক (ইন্দষ্ট্রি), মহৌশানা লৈজরম্বা লমশিং শীজিন্নবগী মওং ওন্থোকপা (লেন্দ য়ুজ চেঞ্জ), লৌউ-শিংউবগী শিনফমনচিংবনি। মরম অসিনা চাউরাক্লা ঐখোয়গী অকোয়বদা গ্রীন হাওস গ্যাস হায়না খঙনবা নুংশিৎ মখল অসি থাদোকপদা লৌউ-শিংউবনা মঙাশুবা মফম কল্লি।

লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না পুথোক্লিবা গ্রীন হাওস গ্যাসশিং অসিবু মখল অহুম থোক্লা অমুক খায়দোকপা য়াই। অহানবদা পোৎথোক পুথোকপগা হকথেংননা মরী লৈননা পুথোকপা গ্রীন হাওস গ্যাস, মসিনা লৌউ-শিংউবনা পুথোক্লিবা অপূনবা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাদা ৪০গী চাংদা পুথোকই।

অনীশুবদা লৌউ-শিংউবদা চংবা মচাকশিং শেম-শাবা অমদি লৌউ-শিংউবগা মরী লৈননা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিংনা পুথোকপা গ্রীন হাওস গ্যাসশিং, মসিনা লৌউ-শিংউবগী শিনফমনা পুথোক্লিবা অপূনবা গ্যাস চাদা ২০গী চাংদা পুথোকই।

অহুমশুবদা মহৌশানা লৈজরক্লবা লমশিং শীজিন্নবগী মওং ওনবা, মসিনা লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না পুথোক্লিবা অপূনবা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাদা ৪০গী চাংদা পুথোকই।

পোত্থোক পুথোকপগা হকথেংননা মরী লৈনবা থবকশিংগী মনুংদা শাগুপ শায়বা শা-ষণশিংনা পুথোকপা মিথেন গ্যাস, মসিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা পুথোক্লিবা গ্যাসশিংগী চাদা ৪৩গী চাংদা পুথোকই। শঞ্জাবুংশিংদা তাহৌবা মথি-ময়ুংশিংদগী থাদোরকপা নাইত্রস ওক্সাইদ গ্যাস, মসিনা চাদা ১৬কী চাংদা পুথোকই। মহৈ মরোংশিং থাবদা শীজিন্নবা নাইত্রোজেন য়াওবা হার কা হেন্না চাইবদগী থাদোরকপা নাইত্রস ওক্সাইদ গ্যাসশিং, মসিনা চাদা ১৫গী চাংদা পুথোকই, ফৌ থাবদগী থোরকপা মিথেন গ্যাস, মসিদা হীরম অসিনা পুথোক্লিবা অপূনবা জি ঐচ এসকী চাদা ১১গী চাংদা পুথোকই। শা-ষণগী মথি-ময়ুং পথু-পুমথহনবা মতমদা থাদোরকপা মিথেন অমদি নাইত্রস ওক্সাইদ গ্যাস, মসিনা চাদা ৭কী চাংদা পুথোকই অমদি পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং পথু-পুমথহনবদগী থোরকপা নাইত্রস ওক্সাইদ গ্যাস, মসিনা চাদা ৩গী চাংদা পুথোকই। লৌফমদা ষম্থি, ষণয়ুং অমদি পাম্বীশিং পথু-পুমথবদগী ওইরকপা হারশিং লৌফমদা শীজিন্নবা মতমদসু নাইত্রস ওক্সাইদ অদুম থাদোরক্লি। মসিনা চাদা ২গী চাংদা পুথোকই অদুগা পাৎথি কোমথিশিং ঈশিং চিথোকখ্রগা ওইরকপা লৌফমশিংদগী থাদোরকপা নাইত্রস ওক্সাইদ গ্যাস, মসিনা চাদা ২গী চাংদা পুথোকই। পোত্থোক পুথোকপদা চংবা মচাকশিং শেম শাবা অমদি খূৎশু খূৎলায়শিং শীজিন্নবদগী থাদোরকপা জি ঐচ এসশিং অসিনসু চহী অমদা য়াম্লবা জি ঐচ এসশিং ঐখোয়গী অকোয়বা (এটমোসফ্যের) সিদা হাপচিল্লক্লি। মখল মখা কয়াগী হার শেম শানবা হোৎনবা, পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা, ঈশিং চিংথোক চিংশিন তৌবা, কোল্ড ষ্টোরেজশিং চলাইনবা হোৎনবনচিংবদা পেত্রোলিয়ম অমদি মসিগী পোত্থোক কয়া অমা শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা জি ঐচ এসশিং থাদোরক্লি।

মহৌশাদগী লৈজরক্লবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংবু লৌউ-শিংউবগী শিনফমদা শীজিন্ননবগীদমক ঐখোয়না উমং কোকথোকপা, ঈশিং চিথোকখিদুনা লৌ উবা য়ানবা হোৎনবনচিংবা থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎপনসু জি ঐচ এসশিং পুথোক্লি। লম্মৈ থাবা অমদি পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং মৈ থাবনচিংবা থৌরম কয়ানসু জি ঐচ এস মখল কয়া অমা পুথোক্লি।

অসুম্না মালেমগী নোংজু-নুংশাদা অওনবা কয়া পুরকপদা অচৌবা মতেং পাংলিবা লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসিদসু জি ঐচ এস পুথোকপগী চাং হন্থহন্নবা থৌওংশিং থিদোক্তুনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী খুদোংথীবদগী কন্ননবা হোৎনমিন্নবগী মতম য়ৌরে। ●